

"হৌগৎলসি কান্নরোই চীংবু, তম্বু অনীমক।
তামহৌরে খোঙফম ঐখোয় ফনা শাং,
চৎনখরে অতৈ জগৎ পুম্বা ফনা তাম,
য়েংসি ঙম্বা তানখৎপ, ঙমদ্রে পীসি
খোঙ্জুনদি পোত্থাদনা খুমাঙ হোৎ।"
- অশাংবম মীনকেতন
(বসন্ত পাউজেল)

## ঐগী অনৌবা লাইনীং

**—যোদ্ধ চন্দ্র সনসম**

কনানা শেন্নকখি তাইবঙ মী?
মহৌশা ইমানা শেন্নকখি তাইবঙ মী।
কনানা শেন্নকখি মহৌশা ইমা?
চীংঙু তাইবঙ মপূনা শেন্নকখি মহৌশা ইমা।
কনানা শেন্নকখি চীংঙু তাইবঙ মপূ?
মীওইবগী কোক্তা হাপচিনখিবা
কম্প্যুটরগী সোফ্ট ৱ্যের মশোল ৱাহৈদুননি
মাননি শেমখিবা চীংঙু তাইবঙ শেন্বা মপু।

কনানা শেন্নকখি ইলেক্ট্রোনিক্স?
মীওইবনা শেন্নকখি ইলেক্ট্রোনিক্স।
কনানা পান্নগনি ইলেক্ট্রোনিক্স?
মীওইবনা পান্নগনি ইলেক্ট্রোনিক্স।

ওল্লে! ওল্লে মীওইবা!
ঐগী ইশক ইমানা পোকপীরকপদা য়াওজরকপা
খন্নবিদ্রে কনানসু।
ঐগী শক্তাক, ঐ কনানো
ঐগী তরেৎ শেল, ঐগী লৌ ইশ্বোল,
ইচা-ইশু, পুন্সি মহিং
পান্নরগনি ইলেক্ট্রোনিক্সনা।
হৌজিক মীওইবনা পান্নবা ঙম্নরোই ইলেক্ট্রোনিক্স।
ইলেক্ট্রোনিক্সনা পান্নরগনি মীওইবা!
হে ইলেক্ট্রোনিক্স।
খুরুমজরি খোয়ুম নঙবু
লমজীংবিয়ু ঐবু
হন্দক্কী মপোক অসি লোইবফাওবদংদি।

## পোক্লফম ইমা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ইমা নঙগী নশাইকোল অসিদা
কয়াম কুইনা লৈখিগনি ঐ।
নঙগী লুরবা মীৎস্না থম্বাল অনী
তবা-তবারবা চীনবাল,
মোমোন নোকপা মায়থোঙ
কয়াম কুইনা উহনবিখিনি ?
মুরবা শন্নাংনা চোইজাইননা তারিবা
লোইরোই তারক্লিবা লেংজুম
চেন্থরক্লিবা তুরেলগী ঈচেলদগীসু
হেন্না ঙমজরিবনি
নঙগী নীংথিরবী কোলোই মিংলেন্দি
কদায়দা লৈরমগনি
ঙসিগী তাইবঙ অসিদা।
কোয়না চৎতুনা থিরুবদসু
নঙগুম্না নীংথিজবী লৈরোই
লৈরোই ইমা, লৈররোই।
পোন্বী চেক্লা কয়ানা
ফৈরা পামেলথক্তা তোঙদুনা
নঙগী কোলোয় মিংলেন্দা শোঞ্জরি।
মচু কয়াগী হৈরাং লৈরাংশিংনা
অশংবা লৌবুক লন্মাংগা অমতা ওইনা,
নঙগুম্না নীংথিজবী অমা
লৈরমখিগদ্রা ঙসিগী মালেম অসিদা ?

## লান্মী

**—রামেশ্বর লাই**

হিংলি ঐ!
তশেংনা হিংলি,
তাইবঙপানবগী থৌরিনা
পূনশিনবসু ঙমদে ঐবু
নাম্থোক্লুবসু ঙমদে ঐনা।

পুন্সিগী লানফম,
হিংবগী চৈনা
মরকসিদা নুংশিবা
অমুকসু অপাম্বা,
মখোয় লোইনমক
তোখাই তান্নখ্রে,
হৌজিক লৈহৌরিবা হায়ববু
শুপ্পখক্কী ঐখক্তনি-ঐখক্তা।
অদুগা অমুকসু
ঐনা খঙদে
ঐসিবু কনানো?
ঐনা খঙঙি মদুদি
ঐ, মীওইবনে মীওইবা
তাইবঙ চিঞ্জাক চাদুনা
পুন্সি লানফমসিদা
লাম্থেংনরিবা লান্মী অমা
মদুসু পাঙদ্রবা
থৌনা য়াওদ্রবা
হং লাইগী লান্মী।

## ঈহৌ

**—ডা. শশীকুমার য়ুরেম্বম**

আই এল পিগী ঈহৌ
দিষ্ট্রিক্ট খাইদোকপগী ঈরাং
শেঞ্জা থুমজাগী ৱাথোক
বন্দ, ব্লোকেদকী ৱাথোক
পূন্নমক থেংনগনি ৱাশকখিবা,
লৈঙাকপশিংগী থোক মোক
দেমোক্রেসিগী ফজবা ৱাপুথোক
মীয়াম ঙাওনদবা নত্তেকো
লুপা ২০০০ চৎপীনা কুপশিনখ্রে
কয়াদা কনখ্রবা মোদিগী লাইৱা!

ৱাথোক অমনা চহী ৫/১০
ঈরাং অমনা কুপশিন্দুনা
ঙম্নমক ককঙাওনরনি মীয়ামসু
নোংজুথা লাক্ত্রিঙৈ ঈচাউ
পূম্নমক চামথোকখ্রে ঙসিদি।

গ্রেটর নাগালেন্দগী ৱাথোক
মঙলান নাগালেন্দ ওনদৌরি।
মণিপুরদি কল্লনি, ইম্ফালদি মাঙলনি
মীতৈদি শিররোই, মৈতৈদি মুৎলনি
বন্দদি লাক্লরোই বন্দপুরদি হেনগৎলনি
ৱাখল তারসি ৱাখল মাঙলরোইসি
কোংগ্রেস, বি জে পিগী মণিপুরনি
পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মণিপুরনি।

## করপসন

**—অথোকপম তোম্বা**

হায়য়ুনে করপসন হায়য়ু
নঙবু কদায়দৈ লাকপনো?
কুইর মতমগী মরুপ মপাং
ইতাউ নচাসে থবক অমত্তা,
ৱাহৈদুদা পেন্নৈ নুংশিনৈ
মতমসিগীনা কদায়?
শেন, শেন, শেন
পীরুবনা লাল্লিবরা
লৌরুবনা লানবরা ?
পীরুবনা খল্লি ঐহাক্তা ওইরবদি
লৌরুবনা খল্লি
চঙখিবা শেলতবু হঞ্জিলবদি।
লূপ অমতনা করপসন থিংনবা
তৌদে বন্দ, ব্লোকেদ, ৱাকৎ মীফম ফমদে
লাইবক ফৈ করপসন লাইরেম্বী
নঙগী থৌনা ওন্থোক্লা কল্লি
করিনা চাবান তৌরগা
কোক্কনি নহাক্কী লাইথুংসে
নঙগী অরোনবা পূক্লিংসে খঙবা ঙম্নদে কনানা।
চীন্দনা মঙাংনৈ মশোন্নৈ
ৱাখল লৈবা কয়াসু
ৱাখল তাদবা কয়াসু
'চীন্দনি করপসন'
নুংশিবী করপসন নহাক্কী
কাউনৈ ব্লোকেদ, বন্দ মীয়াম্না
চবান থারগা কোকলোই মাইবনা।
ইমা নঙদি অখাং কনবীনি
ইচা ইশু শাগৈ নাতৈদদি
চঙবীনু করপসন ইমানা
মসিদদি থৌজাল পীবিরম্মু
লুরিবদি থম্বাল লৈরাং
ইমাগী খুয়াদা কৎচবা
অকৎশেল য়াওদে ৱারৌরোই
চৎনবী লীপুন মুথৎলসে।

## মতমনা লোইরবদা

**—মোইরাংথেম কুলচন্দ্র**

লৈখোক্তগী লৈরাং কেনখ্রে
নোংলিক্লা চোৎলবদা
উফুলসু লৈনাঙ ওনখ্রে
লোইরবদা মতমনা।
নোংমদোল লাইজবু খৌরাংলম্বা
নোংগৌবী চেক্লাসু
খোঙ্গুন ৱাৎখ্রে
উথুম তেনৱাসু
লৈখ্রে মিৎয়েংগী ৱাংমদা
পোন্বী চেক্লা কয়াসু
শকখিদ্রে য়াকাই ঈশৈ।
মতম ফরিঙৈ
অঙম্বনা ময়া হিগৎলি
খুন্নাইনা মচিন ফোৎলি
মতমনা লোইরবদা
'অঙম্বনা কোঙ্গোয় থাঙই,
খুন্নাইনা খুবাক খুই।'

## পুন্সি

**— সুরেশ খুন্দোংবম**


মনিতনা থল্লবা পোইরৈ লমনুংশি
থাদোক্লিংদা থাদোকখিবা থৱায়শিং
হল্লকখো লাকখো মৈত্রবাকসিদা
তাকপীরখো লৌশিংগী পাম্বৈ
হাপিরখো থৌনা লিংজেলসু।

নীংশিংলগা অদুঙৈগী থৌদোক
তাজরগা অদুঙৈগী ৱারী
শিনহ্নগনু য়াদে মীৎলুগী পিরাং
মসিনা শক্লগে ইমাগী
পোকচমনগী লমন শিংজবা।

হকচাংগা থৱায়গা খায়নরমদাই
তাকপীরম্রা নখোয় পূম্বনা
পুন্সিগী/থৱায়গী মমল কয়ানো
পীনবিয়ু ইরৈবাক্কীদমক কৎথোকপা

# খোঙথাং অমতং শোয়খিবদা

## (ৱারী খরা, পাউদম খরনা শেমগৎলকপা ৱারীমচাশিং)




পাউদম্লিবাঃ সলাম তোম্বা

| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | খোঙথাং অমতং শোয়খিবদা |
| মখল | ঃ | ৱারীমচা |
| অইবা | ঃ | সোবিতা মোংজম |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৭ |
| অফোঙবা | ঃ | পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরম |

*ৱারীমচাদি* মমিং থোনবদগী হৌনা চেকশিনগদবনি। পোলোইদা পীগদৌরিবা ফল অদু খজিক্তং ঈঙ্গিৎ ফংখিগদবা মমিং থোনবা চৎনদে। পোলোইদা মরাইবক থীরগদবী নুপী অমগী থিম লৌখৎতুনা ইবদা ৱারীমচাদুগী মমিংদু 'লাইবক থীবী' থোনজিল্লবদি অপাবা খুদিংনা পোলোইদু উখ্রগনি। মসি তৌনদে। য়ারিবমখৈ শুকখন খল্লুদবা পোলোই অমদা অপাবশিংবু পুদুনা চৎপা ঙম্বা হায়বসি ৱারীমচা ইবগী হৈ-শিংবনি। ৱারীমচাদি ৱারীমচা ওইগদবনি। অদুনা Mr. Brander Mathew না হায়, "A True short story is something other and something more than a mere short story, which is short." মানা হায়রিবসি তেনবখক্লা ৱারীমচা ওইবা নত্তে, মশাগী মশক অমা পুদুনা চৎকদবনি অসিনি। মসিদা 'Pre-established design' হায়বা অমা চঙলি। কমদৌনা হৌরগা কমদৌনা লোইশিনগদগে হায়বসি অইবগী কোক্তা লৈবা তাই। মাদনা খঙবা, অপাবনা খঙদবা পোলোই অমা লোইশিনগদবনি। মসিবু surprise ending কৌই। ৱারীমচাগী মমু হায়রিবসিনি। মসি হেক য়াওদবদা ৱারীমচা ওইদ্রে। পাবা লোইবদা অপাবশিংনা খন্দুনা লৈহৌনবা after-effect পীবা ঙম্বা হায়বসি তঙাইফদে।

ঐনা ৱাফম অসি পঞ্জরুবগী মরমদি ঙসি ৱারীমচা ১৯ য়াওবা, মোংজম সোবিতানা ইবা 'খোঙথাং অমতং শোয়খিবদা' হায়বা লাইরিক অসি পারুবদা ফাওরকপনি। মাগী ৱারীমচাশিং অসি পারুবদা উরে, সোবিতা চাংয়েং খরা লৌখৎলি, অনৌবা থিম খনবা হৈরে। অপাবশিংদা ৱাহং কয়া থনম্বা ঙম্লে। ৱারীমচা কমদৌনা নুংশিহনগদগে হায়বদু খঙনা ইরে। তৌবগীদি ৱারীমচাদি নুংশিব্রা হংনদে, ফজব্রা হায়না হংনৈ। মসিনা তাকপদি অইবা অইবীদুনা ৱারীদু কমদৌনা লীবগে হায়বসিনা হেন্না মরু ওইরি। মসিদা ষ্টাইল চঙই, হৈ-শিংবা চঙঙি। থিমদগী মসিনা হেন্না হৌজিক্তি মরু ওইরে হায়নরিবনি। মদোমদা খরা য়াংতক চৎলবসু অইবীগী ৱাহংশিং, অনীংবা অপাম্বশিং অদুদি অপাবশিংদা ফজনা থনম্বা ঙম্বা অইবীনি হায়দবা ঙমদে।

অইবীনা মীওইবগী নুং ফাওনা চঙদুনা থিরি, অফবনা কদায়, ফত্তবনা কদায়। মপাম্থোংগী উরিবা মশক্তা মহাক পেন্থোকপা ঙমদে। খুন্নাইনসু মাগুম থিহন্নীংলি অচুম-অরান। মীনা ফজনা শোন্নদে, নুপা ফিজেৎ শেৎপী, খোঙগ্রাউ উপ্পী নুপীমচা পূম্বা। নুপা শারগা মমান্নবী অমবু লোয়নদুনা অদুম লৈবা তুক্কচনৈ। অদুবু অইবীনা অদুম হেক তৌবীবা ফত্তে হায়নীংলি। ফিজেৎতা মশাগী অপাম্বা লৈজরম্বা য়াই, থমোয়দদি অমাংবা ফত্তবা লৈরমদবা য়াই হায়রি। অদুনা অইবীনা শেন্নকই লমচৎ অমা নুপীনা নুপা শাবী, থমোয়দি লৈনাদগী হেন্না থোৎপী, ঙসি উনরিবা ময়ামসিদগী তোপ তোপ্পা। মাগী 'মীনুংশি' হায়বা ৱারীমচা অসিদা সুনিতা কৌবী, খোঙগ্রাও শেৎপী, মশম তেন্না ককপী অমগী লমচৎ য়েক্লি। মীয়ামগী লান্না থাজবা ৱাংমদা মানা মমান্নবী সনাথোইগী লুহোংবদা লৌখিবা থৌদাং, মদুদা পেঞ্জখিবা, অপাবা খুদিং মীনুংশি পোক্তবা লৈরোই হায়নীংঙি।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা ঙসিমক ফোঙ ফোঙ শারিবা ৱাফম অমা অইবীনা লৌখৎলকপা অসিনি। নুপানা নুপী লোনবা য়ারগা নুপীবুনা মিৎ-না খজিক্তা চোইবা য়াদবা নুপানা পানবা খুন্নাই অসিবু নুপীশিংনা ৱাহং হংবা কুইরবনি। ৱাফমসি ঙসিসু অইবী সোবিতানা হংলি। মাগী 'মানদি য়ারগা' হায়বা ৱারীমচাসিদা। মসিদা মানা শেমগৎলকই খাসি নুপী নেন্সি লেঙ্কডোহগী লমচৎ অমনা। মাগী মপুরোইবা ডা. গুনমনিনা আসামদা পোষ্টিং তারগা আসামী নুপীঅমা লৌরকপা মতমদা নেন্সি আন্দোলন তৌখিদে। অদুগী মহুৎ চিঠী অমা থারকখি। মদুদা ইরি, "নঙনা ঐ লৈনা লৈনা নুপী অমা থিদুনা নচা য়াওরে হায়বা তারে। ফরে, ঐসু জাৎ তিন্নবা খাসি নুপা অমা নঙ লৈনা লৈনা লোনবা তারে।" চিঠীদু হেক ফংবদা ডা. গুনমনি জ্ঞান লাকখি। মাঙবা তারে, মচা অনীদুগী খন্দুনা নেন্সিবু থেল্লুদবা য়াদ্রে খন্না শিলোং পাংখিবা ওন্থোক্লা ফজবা ৱারীমচা অমগী মশক লৌরকই। তশেংনা মসিদি নুপীশিংগী অকনবা দাবী অমনি হায়দবা ঙম্লোই।

মথঙদা অইবীনা ফজবা ৱারীমচা অমখক শেমগৎলকই। 'নম্বোল বোরা' কৌবা

ৱারীমচা অসিদা মমা মপা ঙন্না লৈখিদ্রবা মচা, সনাজাউবা কৌবা অমগী লমচৎ শেন্বনি। মসিদা ফজরিবা অসি সর্প্রাইজ এন্দিং অসিনি। মপা পোকপা মবোক্লা বোরা য়োন্দুনা ৱানা শেমজরকপা সনাজাউবা ডাক্তর অমা ওইরকখি। ডা. ওইবী লিম্থোই লৌদুনা য়াওং ইনখি। মবোক্লদি মশুগীদমক খল্লি, নোংমগী বোরা ৫ দং ওইরসু মশুগী ফোটো মমাঙদা থমদুনা মশুমক্লা চাবদুনি খঞ্জরি। অদুবু তৌবিমল কাউখ্রবা মশুনদি নোংমতা হংলখিদ্রে। অদুগী মথক্তা নোংমা মোইরাংদগী হল্লকপদা নম্বোলদা হনুবী অমা সনাজাউবগী গাড়ীনা থেংলম্মী, হন্না য়েংলমদনা থৌরকখি। মমৈদদি মবোক ওইরমখি। মনাওশিং অমদি মচল নুপী অমখক লৈহৌবদুনা ডাক্তর খানাদগী ফোন তৌরক্তুনা চৎলুবদা খঙলকপনি। সনাজাউবা মতম অদুতদা মাগী নূং ওল্লুরবা থমোয় মহী চেল্লকখি। ময়ূমদা হল্লকখি। মবোক্কী লমন শিংবা ওইনা লৈকায়গী খুলগী ফনবা কন্না হোৎনরকখি। অনৌবা থিন্মক্তি নৎত্রে, অদুবু সোবিতানা মীগী থমোয়দা য়ৈবা ৱাহং য়াওনা লোইশিল্লকপা অসিদি ফজৈ হায়নীংঙি।

অতোপ্পা ফজবা ৱারীমচা অমনা 'ইচেতোনগী ঙাইজমন' হায়বা অসিনি। মসিদা অইবীনা নুপীগী খাঙবা ঙম্বগী চাংয়েং অমা লৌখৎলি। ফজদে হায়বা ঙমদে। লৈকায়গী লৈশাবীশিংনা ইচেতোন হায়না কৌজবা নুংশিতোম্বীগী লমচৎনি। মপুরোইবা ইমোতোম্বনা চীংদা থবক অমগী চৎখিবদগী থিবা খঙদনা মাঙখ্রবদা চহী কয়া ৱানা হল্লকখিনি খন্না ঙাইজবা মীনুংশি পোক্তবা ঙমদে। হিংদবদি য়াদবনিনা নুংশিতোম্বীনা মচা অনীগা ৱানা লেনখি। করিগুম্বদা কৈথেল কাদুনা পোৎ য়োল্লি। মদুদা খঙনরকপা পঞ্জাবী নুপা অমনা মাবু মচলগুম অৱা মতেং খরা পাংবীরকখি। মদুদা লৈকায়না, খুলনা মিৎয়েং চঙলকখি। বদনাম পীবিখি। মীনোক মৈশা খাঙবা ঙমদদুনা মকুবোক্লা মাবু তাম্থোক্লককখি। অদুবু অচেৎপা থমোয়গা লোয়ননা অথাপ্পা খুঙ্গং অমদা হোটেল মচা অমা ফমদুনা মপুরোইবা হল্লকপা ঙাইখি। ইমোতোম্বনা চীংগী নহারোলনা অয়াওবা শেল মুনবীখ্রগা, ফুগায়দুনা শিরে হায়না লংথোক্লম্বদু হিংহৌদুনা চহী খরগী তুংদা ৱানা য়ূম য়ৌরকখি। মশাদি শোইনাইরকখি। কাইনথংদা মচা নুপানা পুদুনা ৱানা খাঙলিবী মমা উনহনখি। মতাংসিদা অইবীগী ফজবা খূৎইনা ইমোতোম্ববু খলহল্লি, মহাক্লা ইচেতোন্দুবু লৌশিনগদ্রা নৎত্রগা লৌশিল্লোইদ্রা? ৱাহং অসিগা ৱারীদু লোইশিনখিবা ওন্থোক্লা ফজবা ৱারীমচানি হায়নীংঙি।

মসিনা লোইদ্রি। খুন্নাইগী মীনোক মৈশারক্তা সমাজ সেবা তৌবা পামজবী নুপী অমগী লমচৎসু অইবীনা য়েক্লি। হন্দক্লা মেমথোইগী লমচৎনি। মচা-মৱা লৈরবী মানা খুন্নাইগী সেবা তৌবা পামজরুবদগী এডসনা নারবী নুপীশিংগী, তোল্ল-তারবশিংগী সেবা তৌবা, ভাব তাহনবা থবক তৌদুনা লাক্লি। অদুবু থবক্কী ওইনা ৱার্ড মেম্বর নুপাশিংগা চৎমিন্নদবা য়ারক্তে, মতম চানা হল্লকপা ঙমখিদে। অদুনা লৈকায় মীনোক চঙলকই, ইমুং মনিল নাইরকই। অদুবু অইবীনা হৈশিংনা লৈদুনা পুথরকই। মেমথোইগী নুপা বীরেন য়াম্না ভাব তাবা অমা ওইহল্লি। ইরাং তৌদুনা খৎন-চৈনবা থোক্কদবদু চৎমিন্নরিবা নুপাদুনা মাগী নুপী থিল্লকপা মতমদা কোম্থোংদা ফাদুনা ৱারী ফজনা শাখি। ফজরিবসি বিরেন্না হায়খিবা ৱা অসিনি। মানা হায় মাগী নুপীদা, "ঐখোয়না হিংলিবা, হোৎনরিবা খুদিংমকসে ইচাশিং অসিগীদমক নৎত্রা?" মতমদুদা মেমথোই ভাব তারকখি। সস্পেন্স পীরম্লগা ৱারীমচাসি লোইশিনখি। ফজবা ৱারীমচানি হায়নীংই।

অরোইবদা, লাইরিক্কী মমিং পুরিবা 'খোঙথাং অমতং শোয়খিবদা' হায়বসিদি মতমসিগী লৈশাবী মচাশিংগী চেকশিন্দবা উৎপা ৱারীমচানি। ৱারোইপোৎ পুরবী নুপী অমনা কোয়থোক্লুবদা নুপাদুনা খুদোংচাবা লৌদুনা মাঙহনবীবগী ৱারীনি। মীৎ-মায় ওইগদবা ৱারীমচানি হায়নীংই।

য়ামখ্রে, পাউদম্নিংবা অদুবু মফম্না য়াদ্রে। ফজবা খরসু লৈরি। অদুগা ৱারীমচা তাদবা চুম্নগী পাউদম ওইবা অমা অনীসু য়াওরি। লোইশিল্লকপদা অইবীদা হায়নীংঙি, ৱারীমচাশিংসে নুংশিহনবদি ঙম্লে। মসিদা ফজহনবদুদংগা মায় ওনশিল্লবদি ৱারীমচা ইবী অমা ওইহৌরগনি। ফজহনবা তারবদি ৱারীমচাগী লৈরিবা ইবগী মওং, শীজিন্নগদবা খূৎলাই ময়ামদু পূক্লিং চঙবা তাই। অদুগা ৱারীমচা অমদা শীজিন্নখিবা কেরেক্তরগী মমিংদু অমদা অমুক হঞ্জিন্না শীজিন্নবা য়াওরি। মসিসু মতুংদদি য়েংশিনহন্নীংবা লৈ। ৱারীমচাগী মমিং থোনবদা চেকশিলহন্নীংবসু লৈরি। মথঙগী ঙাইরি।

# ওজানা তাকপীবা

**-মুন্সি প্রেমচন্দ**

*ইমুং-মনুংগী*চনৈনবা অমদি লৈকায় মীয়ামদগী চেৱাউফংদবনা মরম ওইরদুনা পন্দিট চিন্তামনিদু পূম্নমক থাদোক্লগে হায়না খল্লে, মা লম্বোইবা ওইরে মতাংদুদা মানা লুনা তিন্নজবা পন্দিট মোতেরাম শাস্ত্রীনা মঙোন্দা পাউতাক পীরৈ - মরুপ, ঐখোয়সি অফাও-অফাওবা লাইনীংবা-লম্বোইবা, ৱাখল লৌশিং লৈরবা কয়াগা তিন্নরক্লবনি। মখোয়না মবুকচেল চাউবা কনাগী মনাক্ত চৎপদা হায়জ-নোঞ্জদুনা নিরুদে লোয়ননা তৌশিন্নবা হায়জিন্নবা ৱাহৈনা মখোয়বু হরাউহন্দে - তাইবঙ মপূনা নহাক্কী শেঙ্গাও চেলহনবা ওইসনু, মতম পূন্বদা নুংঙাইবা য়াইফবা ওইয়ু হায়বনচিংবা।" মসিদি চাকনিবশিংগী চৎনবীনি।

লাইনীংবশিংনা থোঙ্গাল হেক য়ৌবগা মীগী থোঙ্গালদু মখোল হৌনা হৌনা থিল্লি, মদুদা ইমুংদুগী মীশিংনা পাখত্তুনা থোঙ্গাললোমদা চেন্থোরকই। ঐ মখোয়না তোয়না শীজিন্নবা ৱাহৈ মরি-মঙা খঙই, মসি খঙজিল্লু।

গুদরী বাবানা হেক হেক হায় - শিগে হায়রগা মঙামক শিয়ু। মাগী খোঞ্জাওসি তাবদা মীশিংনা মাগী মখোঙদা তুরৈ অদুগা কোকপীনবা হায়জৈ।

লাইনীংবদা আ য়ৌরবা লৌশিং লৈবশিংনা অসুম্না হায়-চাউথকউ, নুংঙাইনা পাল্লু, সনা-লুপা শিয়ু অদুবু বাবাজীগী চৈসুবুদি কিজৌ।

ফিশেৎতবা লাইনীংবনা অসুম্না হায় - পীগে হায়রগা পীয়ু নৎত্রগনা পীহল্লু, পীজহল্লু, তূমহল্লু। নহাকপু ইকায় খুম্নহনবা হায়বসি নহাক্কী নওং নতৌদা লৈরে। করি অমুক হায়খো হায়গে?

কাউরনুকো। নঙগা ঐগা মতম শাংনা লোয়নরক্লে। চাকলেন মশীং থিঙমদনা চামিন্নরক্লে। নঙগা ঐগা পূন্না চামিন্নখিবা চাকলেন কয়াদা চাকলুক অনী অহুমদি অদুম লোনখিবনি। নঙ য়াওদনদি ঐসু নুংঙাইথোকপা ঙম্লরোই, তাইবঙ মপূনা নঙবু মতম খুদিংদা অফবতা পীবিবা ওইসনু। অদুবু মানা হায়রিবা ৱাহৈশিং অদুগী মরক্তা চিন্তামনিনা অপাম্বা অমত্তা য়াওদে। হায়রকই ঐগা চান্নবা ৱাহৈ খরা খল্লকউ।

মোতেরাম্না ফরে অদুদি - পীদ্রবদি নথক্তা কাদুনা নেৎকনি।

চিন্তামনি- 'ফরে, ফরে ঐ মসি পাম্মে। নঙনা য়াবিরবদি ঐ শেমদোক শেমজিন খরা তৌগে।'

মোতেরাম্না - 'হোয় হোয়, নঙগী অপাম্বা তৌ।'

চিন্তামনি - 'ফরে সুমহায়না হায়য়ু - পীদ্রবদি নথক্তা কাদুনা নেৎকনি।'

মোতেরাম্না হরাউনা চোংখৎতুনা - তাইবঙ মপূনা শাক্ষিনি। মসিগী ৱাহৈসিগী তোঙানবা মগুন অমা য়াওরি। নঙনা নীংজরুবগী মহয় ফংগদৌরে। অমুক্তং হৌনা লাউনা ঙংনা হায়রকউ।

চিন্তামনিনা মনাকোং অনীদু খুদোম্বীনা মেনশিল্লে অদুগা মাগী লৈজবা থৌনা পাঙ্গল পূম্বা শীজিন্নদুনা লাউরকই - 'পীদ্রবদি নথক্তা কাদুনা নেৎকনি।'

মাগী খোঞ্জেলসি অসুক্কী মতিক হৌখ্রে মদুদি মনাক্তা শান্নদুনা লৈরম্বা খৈরোইশিংদু কিদুনা উথক্তা চেনখৎখ্রে, হুইশিংসু লাক্লা লাক্লা খোংবা হৌরকই।

মোতেরাম্না হায়রকই - মরুপ, নঙগী খোম্থোকসি তাবদা ঐগী থম্মোয়সি নিকখ্রে। অসিগুম্বা খোল্লাউসি অমুক্তা তাখিদ্রি, নঙদি নোংশাগী মতৌগুম ঙংইনে। খোম্থোক্তি য়ারে, হৌজিক অতোপ্পা ৱা খরগা অমুক হায়গে।

লাইনীংবা-লম্বোইবশিংগী লোন্দা - পুদাসি ঐখোয়গা মান্নদে। ঐখোয়না মীওই খরদনা অদোম হায় অদুবু লাইনীংবশিংদি লায়রবা-ইনাকখুনবা, নহা-অহল, অঙাং পূম্নমক্তা নঙ হায়না লোয়না কৌই। 'ইমা-ইপা' হায়বা ৱাহৈসি তোয়না শীজিন্নগদবনি। অচম্বা হিন্দি লোন কৈদৌঙৈদসু ঙাঙলোইদবনি। 'ইমা ঐবু খজিক্তা পীজবীয়ু' হায়বা ৱাহৈসি লম্বোইবগী ৱাহৈ নত্তে। অরিবা লম্বোইবদি অসুম্না হায়গনি - 'ইমা, ঐবু চাক খজিক্তা পীজবীয়ু, অদুম তৌরবদি নহাক মহয় শোয়দনা ফংগনি।'

চিন্তামনি - মরুপ নঙসি থাগৎপগী লোয়বা খম্বা নাইররোই। নঙনা ঐগী মতেং য়াম্না পাঙবীরে।'

অসুম্না পাউতাক ময়াম অমা পীরম্লগা মোতেরামদু চৎখ্রে।

চিন্তামনিনা অসুম লাকপদা লম্বীদা গঞ্জা য়োনবা দুকান অমগী মমাঙদা লম্বোইবা-লাইনীংবা ময়াম ফম্বদু উরে। মখোয়শিংদুগী মশমদু উরু-উরু লৈশিল্লদুনা ৱাংনা ৱাংনা পুল্লি, খরনা থাদরি অদুগা মমিৎ উইশিন্দুনা গঞ্জা চিংলি।

চিন্তামনিবু উবদা মখোয়না হরাউ হরাউ কৌশিল্লকই - চৎলু-চৎলু থুনা লৌরগা চৎলু নৎত্রবদি চঙহল্লোই।

লাইনীংবা অমনা হায়রকই - 'অ...রা...রা...রা...ধম... লাক্লবদি য়ৌরকলে, লৌরে ঐ... হৌজিকপু করিদা ৱারিবা।' হৌজিক্তা মাগী খোঞ্জেলনা অতিয়াসি পুমনিল নিল্লম্বনি।

অতোপ্পা লাইনীংবা অমনা অমুক হায়রকই - লৈবাক মচাসা... নহাকপু উদবরা... ঙাম্থকসে পায়য়ুনে থুনা থুনা।

মদুদা খাঙবা ঙমদ্রদুনা চিন্তামনিনা অকনবা খোঞ্জেলদা ঙংলদুনা হায়রকই - 'পীদ্রবদি নথক্তা কাদুনা নেৎকনি।'

মাগী খোম্থোক্তু তাবদা তিল্লন্লিবা লম্বোইবা ময়ামদুনা চিন্তামনিবু তরাম্না ওক্লম্মী। থুনমক ঙাম্থক্তুদা গঞ্জা হাল্লে অদুগা মদু চমখৎপগী থবক পন্দিটজীগী মথৌ ওইরে।

মা তৌফম খঙদ্রে, ঙাম্থক্তু লৌদ্রবদি অরোনবা পূম্বা খঙলনি। তৌফম খঙদ্রদুনা মানা ঙাম্থক্তু লৌরে, অদুবু মপুন্সিদা গঞ্জা অমুক্তা থকত্রিবা মীনা ফনা কন্না হোৎনরবসু পানবা ঙমদে। মানা মমিৎ উইশিল্লগা মাগী ৱাখলদা অরোইবী থাদুনা চিংলম্মী। ঙাম্থক্তু মখূৎতগী নাম্থদুনা তাখ্রে, মমিৎতু চোংথোক্কদৌগুম তৌরে, ময়াদগী মতিন ওরো-ওরো তারক্লে অদুবু মা মচিন্দগী মৈখু কামথোকপসু ঙমদে অদুগা ঙাম্থক্তু কাচহনবসু ঙমদে।

মাগী মতৌসিদি সাধু লম্বোইবা লাইনীংবশিংবু মীনা উশিৎতনবা তারে। লম্বোইবা অমা অনী হৌগৎলক্লে, মখোয়না শাওনা মাগী মখূৎ পায়দুনা চিংখৎলক্লে।

অমনা হায়রকই - 'চৎলু, নঙদি ঐখোয়গী মায় চোপহন্নবা লাকপনি।

অমনা অমুক হায়রকই - 'নঙবু নমায়দু ইকায়দ্রা? লম্বোইবনি কা হায়জিন্দুনা? শাশিন্নবা লম্বোইবরা নঙবু, অপঙ?'

পন্দিটজীদু ইকায়মনখিদুনা অথুম-অহাও য়োনবা দুকান অমগী মমাংদা ফমদুনা খঞ্জরী খিং-খিংদুনা ঈশৈ শকপা হৌরক্লে।

**হিন্দীদগী হন্দোকপা**
**—লৈমপোকপম বেদান্তী**